সমরজিৎনা য়াইফরে...

লামায় ১গী মখা... তোলেনজাও (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম কোনুংজাও, বামোন লৈকায়, মদরিপার হৈলাকান্দি দিষ্ট্রিক্ট, অসাম (হৌজিক্কা লম্বোইখোংনাংখোঙ ভেটিরিনরি লৈকায়দা লৈরবা) অমসুং সমরজিৎকী ময়াম্বা নারেংবম বিশ্বজিৎ (৫৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জে াগেন্দ্র কুমার, শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়নি। মখোয় অনীনা শিংজমৈ পি এসনা লৌখৎখিবা কেস এফ আর নম্বর ৫৭ (৩) ২০২১গী মখাদা মখোয়বু ফাজিনবগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা বেল পীবিনবা ৱাকৎলকখিবনি। কোর্টনা বেল মেট্টরশিং অসি খন্নবদা মখোয় অনীগী মায়কৈদা কাউন্সেল এম গুনেধোরনা লেপখি অদুগা মমাঙ থাগী ১৮দা অরোইবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগা রিজার্ভ তৌরকখিবা ওর্দর অদু ঙসি লাউথোকখিবনি।

মখোয় অনীবু কোর্টনা লুপা লাখ ১/১গী বোন্দ য়াওনা মসিগা মান্নবা সিওরিটি অমমমদা বেল পীখিবগা লোয়ননা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী অয়াবা য়াওদনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই হায়খি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.351586
US Dollar	73.848905
British Pound	101.143574
Australian Dollar	53.576731
Chinese Yuan Renminbi	11.426689
Japanese Yen	0.665339
Malaysian Ringgit	17.634510
Singapore Dollar	54.538074
South Korean Won	0.062565
Saudi Arabian Riyal	19.693041
Thai Baht	2.201460

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	45801.00
Mumbai	–	Rs	46100.00
Delhi	–	Rs	45934.00
Kolkata	–	Rs	46165.00

GAS NEWS

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO 23/07/21
Valid from 20/07/21(Sl.No. 51)
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : BK. UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
DELIVERY WITHIN 3 TO 5 DAYS
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 04/09/2021
BOOKING UPTO: 10/09/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY : 03852444677, 9436280866
TIMING: 7:30 AM to 11:00 AM
KHORIPHABA NAMBOL
Bk upto 20-09-21(sl.no upto 57307)
home delivery contact no : 9366471778, 8974087390, 8787632782
M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto 05/08/2021
Valid from 02/08/21
Stock 306 nos.
Home Dellivery &Booking
Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed
IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available
Booking:19-09-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1 also available 19kg and 5kg please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encouraged online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO-20-08-2021,
VALID FROM 15-08-2021,
STOCK : 918
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
M/S K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

মণিপুরগী অহানবা জি আই এস শঙ্গাখ্রে...

লামায় ১গী মখা... হাননা শঙ্গাবা অসি কম্পেনি অনী অসিগী মায় পাকপা অমনি। মসিনা থোংজু পার্ট টুগী এরিয়াদা মথৌ তাবা মৈ অমসুং অফবা মখলগী পৱার সপ্লাইদা মতেং পাংলগনি হায়খি।

জি আই এস সব ষ্টেসন অসিনা কনভেন্সেনল সব ষ্টেসনশিংগী মথক্তা খুদোংচাবা কয়া লৈ হায়রদুনা ঙসি নৌনা শঙ্গারিবা সব ষ্টেসন অসিনা মথৌ তারিবসি কনভেন্সনল সব ষ্টেসন অমনা কোনশিনগদবা মফমদগী শুপ্লতগী চাদা ১০ খক্তগী মফমনি। সব ষ্টেসন অসিনা পোল্যুসন থোকহনগদবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। ভোলটেজশিং হন্থহনবা ঙমগনি অমসুং মৈ লিক্লা শীজিন্নবা ঙমহনবদা নত্তনা মসিগী মথৌ তারকপা শেম শাবগী থবকশিংদসু হেন্না খুদোংচারগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিগী ওইনা থল্লিবা চাদা ২১গী পান্দম অদুদগীসু হন্থনা এ টি সীগী অমাঙবশিং শুপ্লতগী চাদা ২০.২৭তা হন্থহন্নবা হোৎনরি হায়রদুনা হৌখিবা চহীশিংদদি এ টি সীদা মাঙবগী চাং অসি চাদা ৪৫ য়ৌখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মসিবু চাদা ২০.২৭তা হন্থহনবা খক্তা নত্তনা লাক্কদৌরিবা চহী ২০২৩-২৪দদি শুপ্লতগী চাদা ১২-১৫গী চাংদা হন্থহন্নবা পান্দম থল্লি হায়খি।

ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী থৌরমসু পুরিবা মিনিষ্টরনা লোকল মার্কেন্দাইজগী থবক থৌরমশিং হেনগৎহন্নবা অমসুং হেন্দলুমগী পোথোকশিং শীজিন্ননবসু আপীল তৌখি।

ডা. রাজো ১সুং মীওই ৩গী ইন্টরিম বেল ...

*লামায় ১গী মখা...*এবসোল্যুট বেলশিং ওইহনখ্রে।

মসিগী মতাংদা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টনা ঙসি পীখিবা কম্মন ওর্দর অমদা এবসোল্যুট বেল ওইহনখ্রবা এক্যুইজনি হায়রিবা মীওই ৪ অসিগী ষ্টেটমেন্টশিং কেস অসিগা মরী লৈননা রেকোর্দিং তৌখি অমসুং মখোয়গী মথক্তা তশেং-তশেংবা এলিগেসনশিং য়াওদবগা লোয়ননা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিংসু ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিগী কষ্টদিদা লৈবনা মরম ওইরদুনা মখোয়বু ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা কষ্টদিএল ইন্টরোগেসন তৌবগী মথৌ তাদ্রে হায়বা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা মখোয়না লৌরকখিবা ইন্টরিম বেলশিং অদুবু এবসোল্যুট বেল ওইহনবীনবা ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসনশিং অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মখোয়গী ইন্টরিম বেলশিং অদুবু এবসোল্যুট বেল ওইহনখিবনি।

কোর্ট অসিদা এবসোল্যুট বেল ওইহনবীনবা এপ্লিকেসনশিং ফাইল তৌরকখিবশিং অদুদি ডা. কে রাজো খক্তা নত্তনা কেস অসিগী এক্যুইজশিংনি হায়দুনা ফাবা পূনবগী থবক ফাওবা চথুখিবা য়াওরুরবা উরিপোক পঞ্চায় মনীং লৈকায়দগী ইন্দিবর সাইখোমচা (২৬) অপোকপা রাজেন্দ্র সাইখোমচা, খাগেম্পল্লি পন্থক্তগী য়ুম্নাম করমচান্দ (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই সোভা অমসুং গুৱাহাটিগী ফেন্সি বজারদগী রাহুল জ্যেন (৪১) অপোকপা রামেস কুমার জ্যেননি।

ডা. কে রাজো য়াওনা মখোয় মরিনা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা বেল এপ্লিকেসনশিং অদুগী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা লৌখৎখিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস (এন্টিসিপেটরি বেল) কেস নম্বরশিং অদুনা মথংশিংনা ৯৪ ওফ ২০২০, ৯৬ ওফ ২০২০, ৯৭ ওফ ২০২০ অমসুং ৯৯ ওফ ২০২০নি। অদুগা মখোয় মরিগী মথক্তা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বরনা ৩ (৪) ২০২০নি। কেস অসি প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন ১৩ (২), ১৩ (১) (এ) অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ১২০-বি, ৪২০গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

মীওই ৪ অসিগী বেল এপ্লিকেসনশিং অদু থা অসিগী ৩দা কোর্ট অসিদা হিয়ারিং চথুখিবা মতমদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা মথংশিংনা কাউন্সেল টি ঐচ ইবোতোম্বী, এ কে সোমোরেন্দ্রো অমসুং সিনিয়র কাউন্সেল এন জোতেন্দ্রো অমদি লিম্থোইঙম্বী সোরামনা লেপখি। অদুগা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগীনা এদিসনেল পি পি এ নিলচন্দ্রনা লেপখিবনি।

অদুম ওইনমক নুমিৎ অদুদা রিজার্ভ তৌদুনা থমখিবা বেল এপ্লিকেসন মরিমক্কী ওর্দর ঙসি কোর্ট অসিনা পূন্না লাউথোক্লদুনা মখোয় মরিনা লৌদুনা লৈরকখিবা ইন্টরিম বেলশিং অদুবু এবসোল্যুট বেলশিং ওইরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

‘ইরাবত নীংশিং মনাশিং’ লাউথোক্লে...

*লামায় ১গী মখা...*অনীশুবদা ‘কমরেদ ইন আর্মি-২০২১’ গী পার্টি মেম্বরদা অখন্ননা পীগদবা থোকচোম বোরো নীংশিং মনা অসিনা ঙাকচৌপোকপীদগী খাইদেম কুল্লদা পীরগনি। মনা অসি লৈখিদ্রবা বোরোগী মজ ইবেম্মা থোকচোম নিংঙোল গ্যানপতিনা কৎলকপনি অদুগা পার্টিগীদমক কৎথোকচবদা মথৌদাং ওইরবা মীওইদা পীবনি। অহুমশুবমদা ‘পাউদমলোই অথোইবা (এদিটরস এৱার্দ)’ অসি থিয়াম মেঘচন্দ্রগী নীংশিং মনা ওইবদা নত্তনা মহাক্কী ইমুং মনুংনা খোল্লাউ থাখায় চেফোঙগীদমক্তা কৎলকপনি। মনা অসি মীয়াম্না খোল্লাউ দেবেন হায়রগসু খঙনবা কৈশাম্পাৎতগী পাউদমলোই অসিদা পীরগনি। মরিশুবদা নোংথোম্বম সিংহজিৎনা কৎলকপা ‘শিন্তাকলোই খোইচংবা নোংথোম্বম ইবোতোন নীংশিং মনা’ না জিরিবামগী বোরোবেক্রা হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল গুরুময়ুম মঙলেমদা পীরগনি। মঙাশুবদা ত্রেদ য়ুনিয়নগী থৌমীদা পীগদবা লাইশ্রম য়োইহেনবা (মশুনুপা) না কৎলকপা ‘রামসিং নীংশিং মনা’ না নোংপোক ককচীংগী ওলিম্পিয়ন মিরাবাইবু পোকচবী সাইখোম ওংবী তোম্বী লৈমদা পীরগনি। তরুকশুবদা নোংমাইথেম নিংঙোল বেনিনা কৎলকপা লমদমসিগী শক্লাইরবী অহল ওইরবী মতম ঈশৈ শৈশকপীদা পীগদবা ‘লৈমা শৈশকহেনবী ইরাবত নীংশিং মনা’ না শৈশকপী অয়েকপম নিংঙোল চোংথাম কমলাদা পীরগনি। তরেৎশুবদা কমরেদ থোকচোম অচৌবগী মচাশিংনা কৎলকপা ‘ইন্টিগ্রিটি এৱার্দ, ২০২১’ না কাখুলোং কবুই খুল ইম্ফালগী শক্লাইরবা ডাক্তর কে হিরা কবুইদা পীরগনি। ৮শুবদা হিজম অচৌগী মীংদা মচাইবুংঙো হিজম নোরেননা কৎলকপা ‘শিন্মী থৌচংবা ইরাবত নীংশিং মনা’ না উখোংশাংদগী শিন্মী থৌজংবা থাংজম সনাতোম্বদা পীরগনি। ৯শুবদা লমজাওদগী ওজা উরিকখিনবম কুঞ্জোনা কৎলকপা ‘নহা থৌপাংলোই ইরাবত নীংশিং মনা’ না সাইকল থৌদুনা মালেমদা অওনবা পুরক্লবা হোৎনরিবা মোইরাংদগী ফিলেম রোহনদা পীরগনি। ১০শুবদা অথোকপম লালানা কৎলকপা ফম্বাক লীলারোই (এক্টর) ‘ইরাবত নীংশিং মনা’ না হিয়াংথাং মখা লৈকায়দগী লীলারোয় লোইতোংবম ব্রজমোনদা পীরগনি।

১১শুবা অমসুং ১২শুবা মনা অনী অসিদি ইন্দিয়ন পিপলস থিএটর এসোসিএসন, প্রোগ্রেসিভ রাইটরস এসোসিএসন, মণিপুর অমদি মণিপুর জগোয় মরুপনা শীন্দুনা জগোয়-ঈশৈ, দ্রামা অমদি প্রোগ্রেসিভ ওইবা অইবনচিংবদা পীজবনি। মনাশিং অসি নম্বোল মায়কৈদগী দ্রামাগী ঈহৌদা শক্লাইখিবা খোইস্নাম কুল্লচন্দ্রগী মীংদা মচা ইবুংঙো খোইস্নাম রনবির অমসুং রাজকুমার ভুবোনস্নাগী মীংদা মচা ইবুংঙো রাজকুমার বুধিস্নানা কৎলকপনি। মনাশিং অসি মণিপুর থিএটরগী শক্লাইরবা ৱারোইরোকপম কামিনি অমসুং জগোয় ঈশৈগী লমদা শক্লাইরবা নিংঙোম্বম ইরাবততা পীরগনি হায়রি।

ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটিগী মনাশিং অসি থা অসিগী ৩০গী নুংথিল পুং ১দা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২৫শুবা ইরাবত মপোক নুমিৎ থৌরমদা লাম্থোক্লগনি হায়রি।

১২৯ ফগৎলকখি, ১ ...

লামায় ১গী মখা... ১,২০,০০০ শুরে হায়রি। লোয়ননা ঙসি মীওই ১ লৈখিদবা অসি থারগা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ১৮৪৭ শুখ্রে হায়বগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লৈখিবা অপূনবা ফগৎলক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,১৬,০৪২নি। অদুগা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ২,১১১ লৈখি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৬.৭০ য়ৌরে হায়রি। লোয়ননা ঙরাং খক্তদা মীওই ৮৩১ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীং ১৬,৭১,১৩৬ শুখিবগা লোয়ননা মসিগী মনুংদা অহানবা দোজগী হীদাক কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ১২,১৯,৬৩২নি। অদুগা অনীশুবা দোজগী হীদাক কাপথোকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৪,৫১,৫০৪নি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক অসিবু মায়োক্ল নবগীদমক্তা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ ৯৫৭ অমসুং বি টাইপ ২৪২নি হায়রি।

য়ুনিয়ন এম ও এস জ্যোতিগা ...

লামায় ১গী মখা... গভর্ণমেন্টকী স্কিমশিংগী মখাদা বেনিফিসরিশিংদা খুদোংচাবা ফংহন্নবগীদমক অধার লিঙ্ক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি।

নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মতাংদা পল্লদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা বেনিফিসরিশিংগী অধার লিঙ্ক তৌবনা মফম অমদগী হেক্তা নফসাগী মখাদা চেঙ ফংবদা মতেং পাংগনি হায়খি।

মহাক্লা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিংবু লৈবাক অসিগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা মান্ননা চাওখৎহন্নবা মীৎয়েং থল্লি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী মফমদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (আর দি এন্দ পি আর) এম ঐচ খাননা দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী ষ্টেটস অমসুং প্রোজেক্ট রিপোর্টশিং থমখি। মহাক্লা এম জি এন আর ঈ জি এসকী য়াওনা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা পাঙথোকখিবা থবকশিংসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা থমখি। পি এম জি এস ৱাই, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিৱুদ মিসন, দি দি য়ু-জি কে ৱাই অমসুং নেসনল রুরবান মিসনগী মতাংদা লোয়শঙ অসিনা লৌখৎলিবা থবকশিংসু ফোঙদোকখি।

সী এ এফ এন্দ পি দিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি রোবার্টসন অসেমনা নফসাগী মখাদা মিনিষ্ট্রিনা পীরকখিবা এলোকেসনশিং অমসুং পি এম জি কে এ ৱাইগী য়াওনা অতে স্কিমশিংগী মতাংদসু মিনিষ্টরদা থমখিবগা লোয়ননা দিপার্টমেন্ট অসিনা স্কিমশিং অসিবু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপদা মায়োক্লখিবা খুদোংচাদবা অকক্লবা ইস্যুশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগা উনদুনা খন্ন-নৈনখিবা অদুদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী কম্মিস্নর বোবি ৱাইখোম, মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভেলপমেন্টকী দিরেক্টর সৌরভ দুবে, এফ সী আইগী মেনেজর মহেন্দর নেগি, আর দি এন্দ পি আরগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি লালরোবুল ফিমাতেসু শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী মাঙওইননা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমসুং ওফিসলশিংগা লোয়ননা নিঙোমথোং কৈথেল কম্যুনিতি হোলদা এম এস আর এল এমগী মখাদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপশিংগী মেম্বরশিংগসু হকথেংননা উনদুনা ৱারী-ৱাতাই শানবগী প্রোগ্রাম অমসু পাঙথোকখি। প্রোগ্রামগী মনুং চন্না পি এম জি কে এ ৱাই অমসুং নফসাগী মখাদা মীয়ামদা চেঙশিংসু য়েন্থোকখি।

দেসামগী থৌমী ৫ য়াওনা ৮...

লামায় ১গী মখা... কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা কোর্ট অসিদা পুথোরকখিবনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবা রিমান্দ প্রেয়রদা হায়বগী মতুংইন্না কেস অসিগী কমপ্লেনেন্ট ওইরিবা এন সিতলজিৎপু দেসামগী ফাইনান্স সেক্রেটরি বিরজিৎনা থা অসিগী ২১গী অয়ূক পুং ৮দা লাক্লবা হায়জরকপদগী কমপ্লেনেন্ট অসিনা কোলেজ অসিগী লেকচরর থাংজম টেজকুমারগা লোয়ননা চৎলুবদা টেজকুমারবুনা চঙহন্দনা মপান্দা লৈহল্লগা দেসামগী ওফিসতা লৈরম্বা এন জি একাসিনি অমসুং আই কুঞ্জবতিগী মমাঙদা কমপ্লেনেন্ট অসিদা মহাক্কী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অমসুং লেকচরর ওইনা জোইন্ট তৌখিবগী রিপোর্টনচিংবগী মতাংদা ৱাহং-পাউহং চথুরগা ফূ-চৈবগী থবক তৌরকখিবনি হায়রি।

পুলিসনা কেস অসি লৌখৎপগা লোয়ননা মসিগা মরী লৈননা মীওইশিং অসি ফাগৎখিবনি। ফাগৎপদা য়াওরিবা আই কুঞ্জবতিদি কোলেজ অসিগী ভাইস প্রিন্সিপালনি হায়বগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মরু ওইবা এক্যুইজ অমনি হায়দুনা চার্জ তৌরিবা ফাইনান্স সেক্রেটরি বিরজিৎপু ফাননবা হোৎনখি অদুবু মহাক লোৎতুনা লৈরি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

পুলিসনা মখোয় ৭পু ঙসি জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা এন জি একাসিনি অমসুং আই কুঞ্জবতিগী মায়কৈদগী পুলিসকী রিমান্দ প্রেয়র অদুবু ওবজেক্সন তৌরদুনা বেল পীবিনবা হায়জরকপদগী মখোয় অনীবুনা বেল পীখি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী ২২গী নুংথিলদা শিংজমৈ নাওরেম লৈকায় লিৱা মনিং ইমোইনু লৈরক্তা থোকখিবা খৎন-চৈনবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা লাইশ্রম ওংবী বেমবেম (৪২), মপুরোয়বা এল কিরনকুমার, নাওরেম লৈকায় লাইরেম্বী মনীংনা ফাইল তৌরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না শিংজমৈ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে। কেস অদুগা মরী লৈননা ফাখিবা কমপ্লেনেন্ট অসিগী মবুং-মৌপ্পশিংনি হায়বা থৌদোক থোকফমদগী লৈখিদ্রবা এস নিলোগী মচানুপা সোরেনসংবম শান্তিকুমার (৪৫), মনাওনুপা বোদে এলিয়জ বিনোয় মঙাং অমসুং লমঙানবা মৈতৈ (২৪) ঙসি পুলিসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীবদগী জে লদা থাজিনখ্রে হায়রি। থৌদোক অদু কমপ্লেনেন্ট ওইরিবী লাইশ্রম বেমবেমগী মপুরোয়বা কিরনকুমারনা সোরেনসংবম প্রেম কৌবা মশাগী চহী ৭৫ রোম শুরবা মখুরা অমা উনবা চৎলুবদা মীওইশিং অসিনা কৌথোক্লগা মহাকপু ফূ-চৈবা তৌরকখিবনি হায়রি।

মীবু হুন্দুনা ঙাঙবনা চাওখৎ...

লামায় ১গী মখা... কোংগ্রেস লৈঙাক মতমদা কোয়লাস থারমখি। পুৱারীগা শাগোন্নরিবা নিঙোল, চন্দ্রখোং খুঙ্গং অসিগী অমত্তা ঙাইরবা থোং অসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অয়াবা লৌদুনা মতমদুগী কোংগ্রেসকী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মতমদা শাবীদুনা ঙসি মীয়ামগী নীংবা থুংলে। এ সী অসিগী চন্দ্রখোং, ফাঞ্জাখোংনচিংবা মফমশিংদা প্রাইমারি স্কুল অমদি হায় স্কুলনচিংবা কয়া কোংগ্রেসকী মতমদা শাদুনা থল্লে হায়রদুনা মায়কৈ অশোমদা হৈরোক এ সীগী এম এল এ টি ঐচ রাধেশ্যাম লাক্তুনা মহাক্লা চাওখৎ থৌরাংগী সিমদি তৌরল্লে হায়বা য়াবা করিবু লৈরবগে হংখি। থৌরম অদুদা হৈরোক ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী মরু ওইবা মেম্বরশিং অমসুং হৈরোক ব্লোক য়ুথ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

অবোনমাই মীহাৎ : চীফ মিনিষ্টরগা অনীরক ৱারী শানবদা য়ানবা ...

লামায় ১গী মখা... দিমান্দশিংগা মরী লৈননা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমখিদে হায়রি।

কনভিনর মজাবুং গাংমৈনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, জে এ সীগী দিমান্দদি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমদি পুলিসকী এস পি অনীমক ট্রান্সফর তৌখিবা নত্তে। মখোয় অনীমক থবক্তগী সস্পেন্দ তৌ হায়বনি হায়খি।

লোয়ননা জে এ সীগা লৈঙাক্কী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লিবা ফাওবদি লৈখিদ্রবগী হকচাং হয়েং পি এম এগজামিনেসন পাঙথোক্লবসু লৌখিরোই হায়না অমুক্কসু লাউথোকখি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা জে এ সীনা তাল্লিবা দিমান্দশিং অসি থবক্তা ওন্থোরক্লিবা ফাওবদি জে এ সীগী মায়কৈদগী থা অসিগী ২৫দা লাউথোকখিবা নেসনল হায়ৱে অনীমক্তা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী পুং ৪৮গী ব্লোকেদ চথগনি হায়বা খোঙজং অদু অদুমক চথগনি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর ২৯গী অহিং নোংয়াইদগী মণিপুর পূম্বদা পুং ২৪গী টোটেল শটদাউনগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়বা অদুসু অহোংবা অমত্তা লৈরোই, অদুমক চথগনি। চঙশিল্লক্কদৌরিবা খোঙজংশিং অসিদা মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়নসু পাউমীশিংগী খূখাংদা আপীল তৌখি।

লোয়ননা জে এ সীগী মায়কৈদগী মীহাৎ অসিগী মায়োক্তা চথুরকপা ৱাকৎ মীফমশিং ঙসিসু মখা তানা চথখি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপ (দব্লিয়ু সী এ এল) গী মায়কৈদগী কো-ওর্দিনেটরশিং ফুলিন্দ্রো কোন্সম, অয়েকপম লাংদোন লৈমা, জয় চীংঙাখম অমসুং নোংথোম্বম রুপচন্দ্রগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনা অবোনমাইগী তমথীবা মীহাৎ অসি লৌতুনবা মাল্লি হায়রি।

মণিপুরদা নীংশিংবা থোক্তুবা মতমদগী খুন্দামিন্নরক্লিবা কাঙলূপশিং নুংশি চান্নবা লৈমিন্নবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরম্বা মতিক চাবা লিদর অমসু ওইখিবা অবোনমাইবু অকক্লবা খূৎলায় পায়বা কাঙলূপ অমগী মীওইশিংনা মীয়াম অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মমাঙমক্তদগী ফাদুনা পুখ্রগা তমথীবা মওংদা হাৎলমখিবা মীহাৎ অসি অকনবা মওংদা অপূনবা লূপনা কন্দেম তৌই অমসুং মহাক্কী ইমুংগী অৱাবদসু লূপ অসিনা শরুক য়ারি হায়রি।

মহাকপু নমদুনা ফাখিবা মতমদুদা অনকপা অমদি অকোয়বদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা খুরক হাংদনা লৈবা মতমনি। মরমদি হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা মফম অদুদা লাক্তুনা প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোক্কদৌরিবনি। অদুগুম্বা মতম খরগী মমাঙদগী সিক্যুরিটি অমদি ইন্টিলিজেন্স পর্সনেল কয়ানা খুরক হাংদনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরিবা অমদি মীয়াম তিনবা মফম অমদা প্রোগ্রাম য়াওবা লাকপা পব্লিক লিদর মীচম অমবু সিক্যুরিটি ফোর্স অমদি মীয়ামগী মমাঙদগী ফোংনা খূৎলায় পায়বা কাঙবু অমনা নমদুনা ফারগা মারুটি জিপসি অমদা পুখিবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অদুনা করিসু অথিংবা পীখিদবা হায়বসি য়াম্না চিংননীংঙাই ওইদব্রা। মীহাৎ অসি অৱাংবা থাক্কী লৌতুনবা মানবনা হায় লেভেলদা লৈবা সিভিল ওফিসর ওইগেরা, সিক্যুরিটি পর্সনেল ওইগেরা অমদি পোলিটিসিয়ন ওইগেরা মখোয়গী মথক্তসু ইন্দিপেন্দেন্ট এজেন্সী অমনা অৱাংবা থাক্কী ইনক্কারি/ইনভেষ্টিগেসন তৌহনফম থোকই। মদু নত্তনা স্কেপ গোদ ওইনা সিক্যুরিটি খরা সস্পেন্সন তৌবনদি কান্নরোয়। অমরোমদা, গো টু হিলস হায়রিবা প্রোগ্রাম অদুবু চীংগী মীচমশিংগী রাইট টু লাইফ প্রোটেক্সন পীবা ঙমদ্রবদি প্রোগ্রাম অসিগী ৱাহম্থোক লৈরিব্রা হংলক্লি।

মরম অসিনা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং খুদিংমক অপূনবা লূপনা শৌগৎকনি হায়রি।

অপূনবগী থবক তৌরবদি অবোনমাইগুম্না হাৎকনি হায়বনি ...

লামায় ১গী মখা... কুমজা ২০২১-২০২৩গী ওইনা প্রসিদেন্টগী ফম পুনবগীদমক ঙসি ৱাশক লৌখ্রবা ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবনি।

অমুকোগী নৌনা থৌ পুগদবা থৌমী ৩৯বু ৱাশক লৌহনবগী থৌরম অদু পোলিটিক্স অমসুং লাইনীং লাইশোনগী অপিকপা ৱাখল্লোন য়াওদবা, ইশাগী ওইজবা য়াওদনা মীয়ামগী থৌদাং লৌবা অমসুং লূপকী অরোন অথুপ ঙাক্লা চৎপা হায়বগী পান্দমদা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা লূপ অসিগী মীতিনশঙদা পাঙথোকখিবনি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, কাঙলূপ-ফুরুপশিংগী মরক্তা অমগা অমগা নুংশিনদবা, হুন্নবা কয়াগী মওংদা চথুরক্লে। মসিদা অমুক লুশিল্লক্লিবনা মীখল ময়া নকশিল্লকপা অসিনি। শেল য়াম্না থাদরগা ভোট খোম্বা অমসুং কাঙলূপ-ফুরুপকী ওইবা ৱা ঙাঙলগা ভোট ফংনবা হোৎনবা লৈরি। কিহন-খংহল্লগা ভোট ফংনবা হোৎনবা অসিগুম্বা লম্বীদা চঙশিন্দুনা ভোট কাননবা হোৎনরকপদা মখল মখলগী লম্বীদা চঙশিন্নরকপনি। অসিগুম্বা লিচৎ অসিদি তুংগী মীয়ামগী য়াইফনবদি নত্তে, তুংলমচৎকী মাঙনবা ওইবা মরম্না ঐখোয় য়াম্না চেকশিন্নীংঙাই ওই হায়খি।

কুমজা ১৯৯৩দগী অমুকোনা অপূনবগী শক্তমগীদমক্তা চেঞ্জ-চোংজদুনা চীংখোং-চীংয়া, লোইজিং-লোয়াদা অহিং নুংথিল নোংজু নুংশা খাক্তুনা চঙশিনজরকপদা অপূনবগী শক্তম থুগাইনবা হোৎনবা খূৎপু অমা লৈরি হায়বা খঙই। খূৎপু অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা য়াম্না তোয়না পাউ ফাওনবা অমসুং নকশিন্নবা মরী অদুনা মনিং-মখা তম্বা পাম্বগী মীংদা মশেল হাৎতোক্লরগা মচেৎ মচেৎ তানা কায়নবা হোৎনরকপা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লাল্লোং অমনি। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়নবা অমসুং ষ্টেট অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী লম্বী লৈতনবা শেম্লকপনি। মৈরা পায়বীশিংনা কাংসি খিংদুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বদা অমসুং ঐখোয় মশেল ওনশিন্দুনা চৈন-লাউনবদা ঐখোয়গী পাঙ্গল-থৌনা অমসুং লৌশিং শীজিন্নহল্লি। মরমদি মণিপুর মচাশিংদা তোপ-তোপ্পা থৌনা লিংজেল লৈ হায়বসি পুৱারীদগী হৌরগা ইন্দিয়া লৌঙাক্লা ফজনা খঙই। অদুনা ঐখোয় পুম্নমক্লা পূন্না খঙমিন্নদুনা মান্নবা ৱাখল্লোন অমগী মখাদা ঐখোয় পূন্না চঙশিনমিন্নগদবনি হায়খি।

মণিপুর থুগাইবা পাল্লিবশিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মনুংদা জুলাই ২৫, ১৯৯৭তা এন এস সী এন (আই-এম) গা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খূৎয়েক পীনরবা মতুং চয়োল অমা লৈরগা চৎনবা হৌখিবসি চহী অদুগী ওগষ্ট থাদগীনি। ওইরক্লিবা ফীভমশিং অসি ঐখোয়না থিজিন্দুনা নৈনরগা খোঙ থাংগদবনি নৎত্রবদি ঐখোয় মশেল কংজাই খুজাই মাঙখিবদুনি ইন্দিয়া লৈঙাক্ল া পাল্লিবসি হায়রদুনা মসি থোক্তনবা হোৎনবদা ঐখোয় পাউথুনা ফাওনবা ঙম্বা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা অমসুং ষ্টেট লেভেল য়াওনা লোকলশিংদা লৈরিবশিং পাউ ফাওনগদবনি। অমুকোগা ৱাখল্লোন মান্নবা লূপ ৩৬না য়াওবীদুনা মতেং পাংবীরকই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লদুনা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরমদা অমুকোগী কুমজা ২০২১-২০২৩গী ওইনা নৌনা থৌ পুনবগীদমক ৱাশক লৌখ্রবশিংদি প্রসিদেন্টদা ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, ভাইস প্রসিদেন্টশিংদা কোইজম হেলেন মৈতৈ, তখেল্লম্বম গান্ধী, সরত গোলমৈ, সোরোকখাইবম সঞ্জয়, লাইশ্রম থোইথোই খুমন অমসুং এম এম থম্বৌ এলিয়জ হেসামউদ্দিননি। সেক্রেটরি জেনরেলদা নোরেন্দ্রো থোকচোম, এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিশিংদা সনবম জেমসকুমার, নিংথৌজম লোকেন্দ্র মঙাং, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা কোইজম সন্তোস মৈতৈ, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিশিংদা য়ুমখাইবম ইনাওচা লুৱাং, মাংবোই গুইতে, সজাদ ভুয়ামযুম, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা য়ুম্নাম রনবির, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিশিংদা চোংথাম মনিকান্ত, লাইশ্রম কৃষ্ণচন্দ্র, আর মিরসোকম এলিয়স কাম্বোই কোইরেং, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা ক্ষেত্রিময়ুম রাজেন মীতৈ, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিশিংদা তখেল্লম্বম মোমোচা এলিয়জ সৈলেন্দ্র, মুতুম লেনিন নিংথৌজা, য়ুম্নাম নিংথেমজাও মঙাং, ওফিস সেক্রেটরিদা এন সী মুনিন, এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংদা মাইস্নাম কান্ত লুৱাং, লাইময়ুম পিসু, প্রতাপ লৈশাংথেম, হৈস্নাম ফোরেন মঙাং, হাওবিজম শামু মৈতৈ, ৱাংখেম মেনাও মৈতৈ, ঙাংবম সনায়াইমা খুমন, মাইবম মনিশ্বর খুমন, খুমন্থেম রঞ্জন, সনাতোম্বা সনসম, থিংনাম চাওবা মঙাং, লোইতাম রাজেন নিংথৌজা, থৌনাওজম শান্তিকুমার মৈতৈ, শশিকান্ত থোকচোম, খুরাইজম হেরামনি খাবা অমসুং তখেল্লম্বম দ্বিজো মঙাংনি হায়রি।

ঈং-তপ্পা পুরক্কে হায়রবদি...

*লামায় ১গী মখা...*অদু বি জে পি নত্তে। কুমজা ১৯৮০দা পার্টি অসিনা হেক হৌরকপদগী লেপ্তুনা থবক তৌদুনা লাক্লি। ইলেক্সন লোইরগা মীয়াম কাউথোকপা পার্টি অদু বি জে পিদি নত্তে। প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি য়ূমথোঙ খুদিং চাকখুম য়ৌনা চাকথুং থুংহল্লিবসি মীয়ামদা খঙহনবা মতম ওইরে হায়খি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা লেভেলদা লৈরিবা বি জে পি ৱার্করশিংদা মরম খঙনা, থৌনা লৈনা থবক তৌবীয়ু অমদি প্রাইম মিনিষ্টরগী লৈঙাক অসিনা পায়খৎখিবা স্কিমশিং অমদি প্রোগ্রামশিংদগী ফংবা কান্নবশিং মীয়ামদা চপ চানা খঙহনবা মতম ওইরে। কান্নবা ফংবসু খঙহনবীয়ু, ফংদ্রিবশিং অদুনা করি মরমগী ফংদ্রিবনো হায়বদুসু খঙহনবীয়ু হায়খি। বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা জোইন্ট মীটিং অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী প্রসিদেন্ট আর কে বিমোলা, পি দি এগী চেয়রমেন টি রোবিন্দ্রো, এম এল এ পি সরতচন্দ্র, হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর টি ঐচ চাউবা, বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী থৌ পুবশিং, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী থৌ পুবশিং, বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেটশিং, বি জে পি মন্দল তরুক্তগী লাকপা থৌ পুবশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ইলেক্সন কো-ইনচার্জ ওইরিবী প্রতিমা ভৌমিকনা ‘মিনট টু মিনট প্রপোজদ টুর’ প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা বি জে পিগী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবসু খন্ন-নৈনখি।

ককচীং শুমাক লৈকায়দা লৈবা জনরম কম্যুনিতি হোলদা লাক্তুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ককচীং, ৱাবগাই, হিয়াংলম অমসুং শুগুনু মন্দলগী তোঙান তোঙানবা মোর্চাশিংগী থৌ পুবশিংগা ফম্মিন্নদুনা পাঙথোকখিবা মীফমদা মহাক্লা অথোইবা মীথুং, বি জে পি ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট য়ু ইবোমচানা থৌরম মপু, এম এল এ এম রামেশ্বর, বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. য়ু দেবেন অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী য়াওনা পার্টিগী শক্লাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটনা দিষ্ট্রিক্ট অমদি মন্দলশিংদা লৈরিবা মোর্চাশিংগী থৌ পুরিবশিংনা বি জে পিগী মীরেপশিংবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

অবোনমাই হাৎখিবদু নাগালেন্দদা থোক্লম্লবদি মৈ থাদুনা তাল্লক্কনি ...

লামায় ১গী মখা... মীহাৎ মীপূন অসিনা সোভরেন্টি তানবদা মতেং শুকওই ওইরোই। ঐখোয় মশেল হাৎনবনা সোভরেন্টি তানবদা কান্নে হায়বা তারগদি নাগা সোভরেন্টি ফংবা য়াবগী মতম অদু য়াম্না হেনখ্রে।

চঙশিল্লিবা নাগা সোভরেন্টিগী মুভমেন্ট অসিদা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সনা নাগা মীয়াম্বু হাৎখিবা মশীংদগী এন এস সী এন (আই-এম) না নাগা মীয়াম হাৎপা মশীংনা য়াম্না হেনখ্রে। হৌজিক অসি থায়নগী মতম অদু নৎত্রে। মীয়াম্বু নোংমৈনা কন্ত্রোল তৌগনি খল্লিবা ৱাখল্লোন লানগনি, মসি থাদোক্কদবনি। রেভল্যুস্নরি খোঙচৎ অসিদা নখোয় (এন এস সী এন (আই-এম) বুদি ঐখোয়গী মীয়াম্না য়াম্না হেন্না ৱাখল্লোন তানা থবক তৌরি। ঐখোয়না মীয়াম্বু ইকায়খুম্নবা অমদি মীনুংশি উৎপা ঙমদ্রবদি কৈদৌনুংদা মীয়াম্না ঈহৌ অসিদা মতেং পীরক্লোই অমদি চৎমন্নবা ঙল্লোই হায়রি।

হন্দক অবোনমাই হাৎখিবা থৌদোক অসি করিগুম্বা নাগালেন্দ মনুংদা থোকপা ওইরম্লবদি এন এস সী এন (আই-এম) গী কেম্প অমদি লৈফমশিং নাগা খুঞ্জাশিংনা শোয়দনা মৈ থাদুনা তাল্লক্কনি হায়বসি মমাঙদা নাগালেন্দদা কয়ারক হন্না থোকখিবা থৌদোক্লা খুদমনি। এন এস সী এন (আই-এম) অসি নাগালেন্দগী নাগা মীয়ামগা শোক্ল-শম্নবা য়াদ্রবা লূপ অমা ওইরবনি। মখোয়গী অরানবা থৌওং কয়াদগী নাগালেন্দ মীয়ামগা ৱাথোক-লান্থোক কয়া অমা থোকখিবা লৈখ্রবনি। ঙসিসু মণিপুরদা য়াম্না তোয়না অসিগুম্বা মখোয়গী তমথীরবা মীহাৎ-মীপূনগী থৌদোক ৱাথোকশিং অসিনা মরম ওইরগা মণিপুরগী নাগা মীয়াম্না খাংবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরক্তবসু য়াই। এন এস সী এন (আই-এম) না অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমদি মণিপুরদগী য়াম্লবা শেনফম কয়া নম্ফুদা খোমগৎতুনা নেসনগী থবক থৌরমদা শীজিন্নবগী মহুত্তা মশা মশাগী লন্নাই শেল ওন্থোক্তুনা লুচিংবা কয়া অমদি বুর্জুৱা অমদি কেপিটেলিষ্ট ওইবা কয়া য়াওরবনি। হৌজিক মণিপুরগী তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল অমদি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টশিংদা এন এস সী এন (আই-এম) গী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টর অমদি রিজনেল ওফিস হাংদুনা ফোংনা এদমিনিষ্ট্রেসন তৌরি। নাগানা নম্না তাবা টাউন খরদদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ওর্দরদগী এন এস সী এন (আই-এম) গী ওর্দরনা হেন্না চৎলি হায়বসি ঙসিগী পপেট মণিপুর গভর্ণমেন্ট অসিনা খঙশিন্নদবগুম তৌরি। এন এস সী এন (আই-এম)না ঙসি ফাওবদা হাৎখিবা নাগা পব্লিক লিদরশিংগী মরক্তা মমল য়াম্লবা বৌদিগী লুচিংবা অবোনমাইগী পুন্সিনা তমথীরবা মীহাৎপগী মখূত্তা লৈখিদবা অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না চাউনা তোংজবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি মতম শাংনা সিজ ফায়র এগ্রিমেন্ট অমদি শুগী ৱাথোক শন্দাইদনা থল্লক্লিবা অসিনা অসিগুম্বা থৌদোক্কী মরুমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কীসু অরোনবা এজেন্দা অমা ওইরি হায়রি।

মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্টনা মুন্না খঙই অমদি থাজে মদুদি ইন্দিয়াগী সিজ ফায়রগী লাল্লোং মনুং চনখ্রবা রেভল্যুস্নরি গ্রুপ অমত্তনা মখোয়না তাল্লম্বা পান্দম অমদি পন্থুং ফংবা ঙমদনা মশা মথন্তা শিজরক্লবা খোঙথাং ওইহল্লক্কনি হায়বসিনি। নীংখা তম্না লৈরম্বা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরনা নীংতম্বগী ৱাফম নত্তনা ইন্দিয়াগী মোইথেম লাংদা হীরম অমত্তদা ৱারী শাবা চুমদে হায়বসি মাঙলমচৎকী থোকখিবা থৌদোকশিংদগী ঐখোয়না খঙবা ঙল্লে। মরম অদুনা ঐখোয়গী মীয়াম্বু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা চঙশিল্লিবা য়াওল ঈহৌ অসিদা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী লাংদা থুদনবা হোৎনরসি হায়না মণিপুরগী মীয়ামদা মণিপুর নাগা পিপলস ফ্রন্টনা আপীল তৌরক্লি।

রামেশ্চন্দ্র লৈখিদ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অশৈ ৱাখোঙ য়োকখৎ লূপ, ইতম নুঙ্গোইগী হান্নগী প্রসিদেন্ট লাইনুজম রামেশ্চন্দ্র ঙসি অয়ূক ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদ্রে।

মহাক লৈখিদবদা লূপ অসিনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখ্রে হায়রি। মহাক মণিপুরগী পাউচেশিংদা ৱারেং কয়াসু ইদুনা ফোঙলম্বা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, মহাক লৈখিদবদা শৈহেক শৈরেং শৈপাল শেমগৎ লূপ (শৈপাল) গী মায়কৈদগী কে সী গিতা (সেক্রেটরি, শৈপাল) না থোরকপা চেরোল অমদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। লৈখিদ্রবনা হিংলিঙৈদো শৈপালগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট অমসুং ত্রেজরর ওইনা থৌ পুবিরম্বদা নত্তনা শৈপালগী থৌমীশিংবু থৱায় হকচাং য়াওনা লমজিং লমতাকপীরম্বা ওজানি হায়রি।

মহাক লৈখিদবা অসি শৈপালগী ওইনদি অচৌবা অৱাৎপা ওইনা অদুমক লৈহৌরগনি। মহাক্কী থৱায় মিরেলনা মপুগী খুয়াখাদা ঈংনা চিক্লা য়াতাজরুবা ওইরসনু হায়না শৈপালগী প্রসিদেন্ট ডা. অথোকপম খোলচন্দ্রনা লুচিংদুনা শৈপালগী লূপলোয়শিংগা লোয়ননা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি হায়রি।